# লিকমাবম সুশিলা ওলিম্পিক গেমসকী প্রোভিজনেল ওইনা ক্বালিফাই ওইরে



বুদাপেষ্ট, জুন ০৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী নুপীগী জুদোকা লিকমাবম সুশিলা মথং থাগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক প্রোভিজনেল ওইনা ক্বালিফাই ওইখ্রে।

সুশিলানা হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবদা অহানবা রাউন্দ অদুদা মায়থীবা নংখি। মায়থীবা নংলবসু লিকমাবম সুশিলানা মমাংদা মহাক্না ফংখিবা ৱর্ল্ড জুদোগী নুপীগী রেঙ্কিং লিষ্টতা পোইন্ট ৯৮৯ ফংদুনা এসিয়াগী ওইনা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপ অসিদা লিকমাবম সুশিলা অমদি নুপাগী জুদোকা জস্লিন সিংহ সাইনিনা কিলোগ্রাম ৬৬তা শরুক য়াখিবনি। জস্লিন সিংহ সাইনিসু মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা মোলদোভাগী জুদোকা রাদু ইজ ভোরেনুগী মখূৎতা মায়থীবা নংদুনা মহাক্না হান্না ফংখিবা পোইন্ট ৯২০ অদুদা সুশিলাগা মান্ননা শরুক য়াখিবগীদমক্তা পোইন্ট ২০/২০ হাপচিল্লগা সুশিলানা অপূনবা পোইন্ট ১০০৯ ফংখি। অদুগা জস্লিননা পোইন্ট ৯৪০ ফংখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা জুদোকা অমনা লীগ রাউন্দ অমা মায় পাকপদা পোইন্ট ২০০ ফংগদৌরিবনি। মদুদা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটেগোরি অদুদা লিকমাবম সুশিলা অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা নংদুনা মহাক্না হান্না ফংখিবা রেঙ্কিং পোইন্ট ১০০৯দা লৈখি।

অমরোমদা, ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৬তা শরুক য়াখিবা জস্লিন সিংহ সাইনিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মায়থীদুনা শুপ্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিবগী পোইন্ট ২০ খক ফংদুনা ইন্দিয়াগী ওইনদি সুশিলা অমদি মখোয় অনীগী মনুংদা সুশিলানা পোইন্ট হেনবনা খূদোংচাবা মাঙজিল থারি।

জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী জুদোগী ক্বালিফায়িং ইভেন্ট ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা হঙ্গেরিগী সিটি বুদাপেষ্টকী ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা জুদোকা অনীগী মনুংদা মণিপুর মচা লিকমাবম সুশিলা অমদি নুপাগীদা জস্লিন সিংহ সাইনি মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী বাউটশিং অদু মায়থীবা নংখিবদগী মখোয় অনীগী মনুংদা সুশিলানা খূদোংচাবা হেন্দুনা লৈরি। থা অসিগী ২৮দা ইন্টরনেসনল জুদো ফেদরেসননা কন্টিনেন্টেল কোটা লাউথোরকপদা ইন্দিয়াগী ওইনদি করিগুম্বা মশান্না অসিদা খনগদবা লৈরবদি লিকমাবম সুশিলা ওইনা খল্লগনি। মরম অদুনা মহাকপু প্রোভিজনেল ওইনা ক্বালিফাই ওইরে হায়রি।

# ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী জোকোবিচ অমসুং ইটালিগী মাটিও বেরেটিনি নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি





পেরিস, জুন ০৭ (এজেন্সী):
মালেমগী নুপাগী টেন্নিসকী লম্দা সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ অমসুং ইটালিগী মাটিও বেরেটিনি ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

নোভাক জোকোবিচনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা অতোপ্পা ইটালিগী শান্নরোয় এল মুসেটিগা অকনবা মওংদা শান্নরকপদা অহানবা সেট অনী অদু মুসেটিনা জোকোবিচপু মায়থীবা পীখি। মখা তারকপা সেট অনী অদুদা জোকোবিচনা হেন্না ফজবা ঙমখিবদগী থোইবা ঙমদুনা সেট ২/২ মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং দিসাইদিং ওইরিবা ৫শুবা সেটতা জোকোবিচনা গেম ৪ মায় পাক্লগা লৈরিঙৈ মুসেটি শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা জোকোবিচনা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।

মুসেটিগী মায়কৈদগী জোকোবিচকা লম্বা তৌনখিবা মরিশুবা রাউন্দ অদুগী অহানবা সেট ৭-৬ (৯-৭) অমদি অনীশুবা সেট অদুসু ৭-৬ (৭-২)দা থোইদুনা সেট অনী মাঙজিল থারগা লৈখ্রবসু জোকোবিচনা থংনবা সেট অনী য়াম্না কোম্না মুসেটিগী অশোনবা মফমশিং অদুদা এটেক তৌদুনা ৬-১, ৬-০দা থোইদুনা সেট ২-২ মান্নবা ঙমখিবনি। দিসাইদিং সেট অদুদা মুসেটি রিটায়র্দ তৌখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেলদা জোকোবিচনা অতোপ্পা ইটালিগী শান্নরোয় মাটিও বেরেটিনিগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নুপাগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা চিলিগী শান্নরোয় সীগারিনবু ৬-২, ৬-১, ৭-৫দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী শান্নরোয় পাব্লো কারিনো বুষ্টাবু ৬-৩, ৬-২, ৭-৫ দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসকা লম্বা তৌনরগনি।

নাকল অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মহাক্কী ৪শুবা রাউন্দদা জপানগী কৈনিশিকোরিবু ইৱা ৱাদনা ৬-৪, ৬-১, ৬-১দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী এফ দেলবোনিসপু ৬-৪, ৬-৪, ৪-৬, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বা স্পেনগী শান্নরোয় দাবিনোবিস ফোকিনাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা ১০শুবা সিদেদ ওইরিবা অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টসমেননা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী শান্নরোয় জে এল ষ্টুপপু ৭-৬ (১১-৯), ৬-৪, ৭-৫দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রোহন বোপানা অমদি ক্রোএসিয়াগী ফ্রাঙ্কো স্কুগোর ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী পাব্লো অন্দুজর অমদি পেদ্রো মার্টিনেজগী মখূৎতা ৫-৭, ৬-৩দা মায়থীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবগী খূদোংচাবা অদু ফংবা ঙমখিদবনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা য়ু এস এগী শান্নরোয় কোকো গোফনা টর্কিগী ও জেবোরবু ৪শুবা রাউন্দদা ৬-৩, ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা চেক রিপব্লিককী বারবোরা ক্রাইচিকোভাগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। ক্রাইচিকোভানা মহাক্কী ৪শুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ৬-২, ৬-০দা থোইরম্বনি। অতোপ্পা নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা রসিয়াগী অনাষ্টেসিয়া পাব্লুচেনকোভানা কজখষ্টানগী এলিনা রাইবাকিনাগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদৌরি। ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা মায় পাকখ্রবী গ্রিসকী মারিয়া সকারিনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবী শান্নরোয় অদু মমাংগী চেম্পিয়ন সিৱাটেক অমদি য়ুক্রেনগী কোষ্টুককী অথোইবগনি।

# সুনিল ছেত্রিগী পাঞ্জল ২না ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমনা বাংলাদেশপু ফিফা ৱর্ল্ড কপ অমদি এসিয়ন কপ ক্বালিফায়িংদা মায়থীবা পীদুনা খূদোংচাবা থম্বা ঙমখ্রে



দোহা, জুন ০৭ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২২দা কটারনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফিফা ৱর্ল্ড কপ অমদি কুমজা ২০২৩দা চাইনানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অপূনবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী ঙসি কটারনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং দোহাদা লৈবা জসিম বিন হামাদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমদুনা ৱর্ল্ড ক্বালিফায়িংগী খূদোংচাবা লৈত্রবসু এসিয়ন কপকী লম্বেল অমা শেম্না ঙমখ্রে।

গ্রুপ ঈগী ওইনা য়ূম্বু ওইরিবা কটারয়াওনা অতোপ্পা লৈবাকমরিগা লোয়ননা পূন্না টিম মঙানা লম্বা তৌনরকপনি। কটারদি ফিফা ৱর্ল্ড কপগী য়ূম্বু ওইবা মরম্না গ্রুপ অসিদগী মায়থীরবসু ৱর্ল্ড কপকী ওইনা ক্বালিফাই অদুম্মক ওইরগনি। অদুবু গ্রুপ অসিদা মখোয়না খ্বাইদগী ফজবা ওইনা মেটচ ৭ শান্নবদা পোইন্ট ১৯ ফংলগা মকোক থোংলিবনি। অনীশুবদা ওমানগী টিমনা মেটচ ৫দা পোইন্ট ১২ ফংলগা লৈরি। অদুগা ঙসি ইন্দিয়াগী টিমনা বাংলাদেশপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা মেটচ ৭তা পোইন্ট ৬ ফংবগা লোয়ননা অহুমশুবা থাক্তা লৈখিবদগী চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৩গী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িংগী অহুমশুবা রাউন্দগীদমক শেম শাবা ঙল্লি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়া অহানবা হাফতা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু ৭৯শুবা মিনটতা সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদুগী মতুং ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা মহাক্না অমুক্কা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-০দা থোইদুনা এসিয়ন কপ ক্বালিফায়িংগী অহুমশুবা রাউন্দদা শান্নবা য়াবগী অচৌবা লম্বেল অমা শেম্না ঙমখি।

মমাংগী মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা য়ূম্বু ওইবা কটারগা শান্নখিবদা য়াম্না ঙল্লিঙৈ অহানবা হাফকী শরুক্তা শান্নরোয় অমা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখ্রবা মতুং শান্নরোয় ১০না লম্বা তৌরকপদা এসিয়াগী চেম্পিয়ন ওইরিবা লৈবাক কটারগী মায়কৈদগী শুপ্নতগী পাঞ্জল ১খক চল্লগা মায়থীবা নংখি। ইন্দিয়াগী টিমগী মায়কৈদগী হোৎনরিবা অমদি শান্নখিবা মশান্না অদুদা টিমগী কোচ আইগোর ষ্টিমেক অমদি অতোপ্পা ক্রিটিক কয়ানা টিম অসিগী মশান্নবু থাগৎলকখি। ঙসি বাংলাদেশকা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় মরি শরুক য়াবা ঙমখি। থা অসিগী ১৫দা অফঘানিষ্টানগা শান্নগদবা মেটচ অদু মায় পাক্লবদি ইন্দিয়া এসিয়ন কপকী ৩শুবা রাউন্দ ক্বালিফাই ওইরগনি।

# মেঞ্চেষ্টর সিটিগী কেভিন দি ব্রুননা ইংলিশ পি এফ এ প্লেয়রগী মনা চহী ২ থংননা ফংখ্রে



লন্দন, জুন ০৭ (এজেন্সী):
মালেমগী ফুটবোল লীগ শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ওইনা ইংলিশ প্রোফেসনেল ফুটবোল্লরস এসোসিএসন (পি এফ এ)গী প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা অদু লীগ অসিগী হন্দক্তা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোয় বেলজিয়ম মচা কেভিন দি ব্রুননা মমাংগী চহীদা ফংখিবা অদুগী মতুং হন্দকসু ফংলগা চহী অনী থংন-থংননা মনা অদু লৌবা ঙমখি।

বেলজিয়ম মচা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মিদ ফিল্ডর কেভিদ দি ব্রুননা ক্লব অদুবু ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ টাইটল ফংখিবগী লম্বেলদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী ফজবা মশান্না অদুদা ইংলিশ প্রোফেসনেল ফুটবোল্লরস এসোসিএসননা মঙোন্দা হৌখিবা সিজন অমদি হন্দক্কী সিজন অসিগা থারগা অনীরক থংন-থংননা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদু পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, কেভিন দি ব্রুননা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী পুৱারীদা ফ্রান্সকী শান্নরোয় মরুওইনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা অর্সনেলগী মায়কৈদগী শান্নরম্বা থিএরি হেনরি অমদি মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা মতম শাংনা শান্নরম্বা পোর্টুগাল মচা হৌজিক-হৌজিক্না ইটালিগী য়ুভেন্টসতা শান্নরিবা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা চহী অনী থংন-থংননা পি এফ এ প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখিবা অদুগী মতুং কেভিন দি ব্রুননা মনা অসি ফংবা ঙম্বা অহুমশুবা শান্নরোয় ওইরি।

কেভিন দি ব্রুননা শরুক য়ারিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা চহী ৪গী মনুংদা প্রেমিয়র লীগ টাইটল অহুম লৌবা ঙল্লি। মসিদসু নৎতনা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা লীগ ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরিরকশুবা টাইটল অদু থংন-থংননা লৌবসু ঙল্লি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা কেভিন দি ব্রুননা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতগী হাইদোক্লগা য়ুরোপকী ওইবা ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পুৱারীদা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু অহানবা ওইনা ফাইনেল য়ৌহনখি। অদুবু ফাইনেল মেটচ অদুগী অঙনবা শরুক্তা কেভিন শোকপদগী শান্নবা ঙমখিদবগা লোয়ননা চেলসিগী মখূৎতা মখোয় মায়থীহৌখি।

# ইন্দিয়াগী ৱিমেন্স রিকর্ব টিম পেরিস য়ৌখ্রে, ওলিম্পিককী হোৎনরি



ন্যু দেল্লী, জুন ০৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী নুপীগী আর্চর অহুম্না শাবা রিকর্ব টিম ঙসি পেরিসতা থুংখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড ওলিম্পিক আর্চরি ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট শরুক য়াননবা কন্না হোৎনরি।

আর্চর অহুমগী টিম অদুদা মমাংদা ওলিম্পিক শরুক য়াবা ঙম্লুরবী দিপিকা কুমারী য়াওনা অনকিতা ভকট অমসুং কোমালিকা বারিনা থা অসিগী ১৭তগী হৌগদৌরিবা ৱর্ল্ড ওলিম্পিক আর্চরি ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অদুদা মায় পাক্লনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি হায়না আর্চরি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি প্রমোদ চন্দুরকরনা ফোঙদোরক্লি। পনবা য়াবদি, দিপিকা কুমারীদি কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর থাদা ইন্দভিজ্যুএল ইভেন্টকী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। টিমগী ৱাৎহৌরিবা অদু হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিনা লাইবক লেপকদৌরি।

# য়ু এস এনা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা কোনকাকেফ নেসন্স লীগকী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



দেনবর, জুন ০৭ (এজেন্সী):
সেন্ট্রেল অমেরিকা কন্টিনেন্টকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা কোনকাকেফ নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ু এস এনা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু য়ু এস এগী কোলোরাদো ষ্টেটতা লৈবা দেনবর সিটিগী এম্পাৱর ফিল্ড ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না লম্না মান্নবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু মেক্সিকোনা পাঞ্জল অনীরক মাঙজিল থাদুনা খূদোংচাবা ফংখ্রবসু য়ু এস এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনীমক হন্দোকপা ঙমদুনা অপীবা শান্নবগী মিনট ৯০ লোইশিনখ্রবা মতুং ইঞ্জ্যুরি টাইম লোইরবা ফাওবদা মায় পাকপগী পাঞ্জল লৈনদবদগী এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকখিবা অদুদা য়ু এস এনা পাঞ্জল অমা হেল্লগা ফাইনেল মেটচ অদু ৩-২দা মায় পাক্তুনা কোনকাকেফকী নেসন্স লীগ অদুগী অহানবা এদিসনদা মায় পাকপা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু মেক্সিকোগী মায়কৈদগী জিজস কোরোনানা শান্নবগী ২শুবা মিনটতা চন্দুনা য়ু এস এবু মখোয়না মাঙজিল থাখি। মদুগী মতুং ২৭শুবা মিনটতা য়ু এস এগী মায়কৈদগী জিওরেনানা ইক্বোলাইজর চল্লগা অহানবা হাফ অদু ১-১দা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা শান্নবগী ৭৯ শুরকপা মিনটতা মেক্সিকোগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা দিএগো লাইনেজনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা য়ু এস এবু অমুক্কা হন্না ফাইনেল মেটচ অদুদা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী য়ূম্বু ওইখিবা য়ু এস এগী মায়কৈদগী শান্নবগী মখা তারকপা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদু মায় পাকপা ঙমদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী মেকিনিনা মেক্সিকোগী গোলকিপ্পর গুইলরমো ওচুৱাবু মায়থীবা পীরগা ইক্বোলাইজর অদু চন্দুনা মেটচকী অপীবা মতম অদু লোইশিনখি। টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইবা টিম অদু মশক খঙদোক্লবগীদমক এক্সট্রা টাইমগী ওইবা মিনট ১৫ অনীনা শাবা পুংখায় অমগী মতম শান্নবা হৌরকখি। য়ু এস এগী মায়কৈদগী খৃষ্টিয়ন পোলিসিকনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেক্সিকোবু য়ু এস এনা ৩-২দা থোইরগা কোনকাকেফ নেসন্স লীগকী টাইটল লৌখি।

# ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইরবা এথলিটশিং চয়োল ৪গী মতুংদা কোভিদকী ২শুবা দোজ কাপ্লগনি



ন্যু দেল্লী, জুন ০৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না মথং থাগী ২৩দা হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী এথলিট অমদি ওফিসলশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অনীশুবা দোজ কাপ্পগী মতম অদু চয়োল ৪গী মনুংদা য়ারগনি হায়না ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা নরিন্দর বট্রানা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

নরিন্দর বট্রানা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী মখাদা লৈরিবা ওলিম্পিক শরুক য়াগদবা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনগী শান্নরোয়শিং অমদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস চৎপদা য়াওগদবা ওফিসলশিংনা কোভিদ-১৯গী অহানবা দোজ কাপখিবশিং অদুনা অনীশুবা দোজ কাপ্পগী অয়াবা লৈরবা মতুং মখা তানা অহানবা দোজ কাপহৌদবা কাঙবু অদুসু দোজ অদু কাপ্পা লোইবগা অনীশুবা দোজ অদুসু চয়োল ৪গী মনুংদা কাপ্পা য়ারগনি হায়খ্রে। নীংশিংবা য়াবদি, মমাংগী থাদা সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ানা পুথোকপা কোভিসিল্ড ভেক্সিনগী দোজ ইন্টর্ভেল অদু চয়োল ১২দগীনা ১৬তা হেনগৎখিবনি। অদুবু অনৌবা মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল অদুনা অহোংবা লাক্কনি হায়না খন্নরি।

# ন্যু জিলেন্দ অমসুং ইংলেন্দগা শান্নবা টেষ্ট মেটচ দ্রো চৎখ্রে

লন্দন, জুন ০৭ (এজেন্সী):
ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি লন্দনদা লৈবা লোর্দ ক্রিকেট গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২দগী ন্যু জিলেন্দগা লৈবাক অদুগা শান্নবা হৌখিবা টেষ্ট মেটচ অদু ঙসি দ্রো চৎখ্রে।


টেষ্ট মেটচ অদুগী টোস অদু ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ওপনর কোনৱেনা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা রন ২০০ লৌবা ঙমখিবা অদুনা অচৌবা স্কোর অদু ওইখিবদগী অমদি মঙাশুবা বেটসমেন হেনরি নিকোলসনা রন ৬১ লৌদুনা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ১০ তুরগা রন ৩৭৮ লৌখি।

মদুগী পাউখুমদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ওপনর রোরি বর্নস অমদি অতোপ্পা শান্নরোয় অনী কেপ্টেন জো রুট অমসুং ৮শুবা বেটসমেন ওলি রোবিনসননা চপ মান্নবা স্কোর রন ৪২/৪২ লৌরগা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৭৫ লৌরগা ন্যু জিলেন্দনা রন ১০৩ হেল্লগা লৈখি। মদুগী মখা তারকপা ন্যু জিলেন্দনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপা অদুদা ওভর ৫৩গা বোল ৩ শান্নরবা মতুং বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ১৬৯ লৌদুনা ইন্নিংস অদু দিক্লেয়র তৌখি। মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা ওপনর লাথমনা রন ৩৬ অমদি মঙাশুবা বেটসমেন রোস টেলরনা রন ৩৩ লৌরম্বা অদু শীংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। মখোয়না ইংলেন্দবু টেষ্ট মেটচ অদু মায় পাক্লনবা রন ২৬৩গী টার্গেট অদু টেষ্ট মেটচ অদুগী অরোইবা নুমীৎকী অনীশুবা সেসনদা থমখিবনি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ন্যু জিলেন্দগা লম্বা তৌনখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদু মায় পাক্লনবা অরোইবা নুমীৎকী অনীশুবা সেসনদা রন ২৬৩ লৌবগী টার্গেট অদু য়ৌবগী ফীভম লৈত্রবসু মখোয়গী বেটসমেন ১০ আউট ওইদ্রগদি দ্রো চৎপগী লম্বেল লৈবা মরম্না ন্যু জিলেন্দগী বোলরশিংগী এটেক অদু য়াম্না চেকশিন্না শান্নবা হৌখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অনীশুবা ইন্নিংস হৌরকপদা ওপনর রোরি বর্নস অমদি দোমিনিক সিবলেনা ন্যু জিলেন্দগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লখি। মশাগী রন ২৫ শুরকপদা রোরি বর্নস আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা অহুমশুবা বেটসমেন জেক ক্রাওলি ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমদনা শুপ্নগী রন ২দা আউট ওইখি। অদুবু নৌনা চঙলকখিবা কেপ্টেন জো রুট অমদি ওপনর দোমিনিক সিবলেনা ন্যু জিলেন্দগী বোলরশিং অদুবু য়াম্না চেকশিন্না মায়োক্লদুনা শান্নবগী অরোইবা নুমীৎ অদু লোইবা ফাওবা খাঙননবা হোৎনখি। জো রুট রন ৪০দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ চঙলকখিবা ওলি পোপ অমদি সিবলেনা ইন্নিংস অদু মখা তানা আউট ওইদনা শান্নরগা মঙানি শুবা নুমীৎ অদু লোইবা ফাওবা লৈখিবদগী মেটচ অদু দ্রো চৎখি। সিবলে বোল ২০৭ মায়োক্লবদা রন ৬০ লৌরগা আউট ওইদনা লৈখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 133

GM Esipenko, Andrey (2682) - IM Sredojevic, Ivan (2258)
Titled Tuesday 8th Sept chess.com INT (6), 2020.09.08

| | | |
|---|---|---|
| 1.c4 Nf6 | 2.Nc3 e5 | 3.Nf3 Nc6 |
| 4.e4 g6 | 5.d4 exd4 | 6.Nxd4 Bg7 |
| 7.Be3 O-O | 8.f3 Re8 | 9.Be2 Nxd4 |
| 10.Bxd4 d6 | 11.O-O a5 | 12.Qd2 Be6 |
| 13.Rfd1 Nd7 | 14.Bf2 a4 | 15.Rac1 b6 |
| 16.Bf1 Be5 | 17.Qc2 Qf6 | 18.Nxa4 h5 |
| 19.b3 Nc5 | 20.Nxc5 dxc5 | 21.Qe2 Kh7 |
| 22.Rc2 Rg8 | 23.g3 g5 | 24.Be3 h4 |
| 25.Qf2 Rg6 | 26.Be2 hxg3 | 27.hxg3 Rh8 |
| 28.Bf1 Kg7 | 29.Bg2 Rgh6 | 30.f4 gxf4 |
| 31.gxf4 Qg6 | 32.Kf1 Bg4 | 33.Rd5... |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 132 Ans. :**

18. Nh6+ gxh6 19. Qg4+ Kf8 20. Bxh6+ Kxe7 21.Re1+Kd6 22. Qe6+ Kc5 23. b4#David and Goliath mate

18. Rxf7 Kxf7 19.Qh5+ Kg8 20. Nxg7 Kxg7 21. Bh6+ Kh8 22. Qf7 Qd7 23.Bg7#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com